## এডিটোরিয়েল

### মে ডে অমদি শুরগা চাবশিংগী লাইবক

চহি খুদিংগী ওইনা মে ডে হায়বসি শিন্মীশিংগী নুমিৎনি হায়দুনা মালেমগী মফম খুদিংমক্তা শিন্মীশিংবু করিগুম্বা মওং অমত্তদা শিজিন্নদনবা অমদি মখোয়গী রাইটশিং অদু তান্নবা নুমিৎ অমা ওইনা মালেমগী মফম পূন্নমক্তা ওবজার্বেসন অমা ওইনা পাংথোক্তুনা লাক্লি। মসিদা য়াম্না লুরিবা ৱাফম অমদি ৱেজ আর্নর ওইনা নোংমগী খুৎশুমলনা হিংলিবা মীওইশিং অদুনা নুমিৎসিদা মথৌ তৌদবা মতমদা মহাক্কী ইমুং–মনুংগী ফিভম করি ওইগদগে হায়বা অসিনি। শুরগা চাবা অমসুং হিংবা ইমুং কয়া অমা মণিপুরদা লৈরি অমদি শেম্হোক লৈবা সরকারগী থবক তৌবা মীওই মশিংদগীদি নোংমগী শুরগা চারিবা শিন্মীশিংগী মশিংনা হেল্লি। শিন্মীশিংদা থবক লেপ্পা হায়বসিগী অতোপ্পা ৱাহম্হোক অমা হায়বা তারগদি শিন্মীশিংগী হিংলিবা ইমুং–মনুংশিংদা অচৌবা চৈথেং অমা পীবা হায়বনি। খ্বাইদগী লুরিবদি থবক শুদবা নুমিত্তা ইমুং–মনুংগী চারা চাদবা য়াৱা হায়বা অসিনি। শিন্মী কয়া মশাগী হকশিং পীদবা অমদি মখোয়দা পুং মশিং কল্লা থবক শুহন্বা অমদি তঙাইফদবা অমা লৈরগদি শিন্মীশিং অদু পুং ২৪ চুপ্পা শিজিন্নবগী ৱাফম লাকপা অমসুং শিন্মীশিংনা শুরিবা পুং মশিং অদুগী পীফম থোকপা শেন্‌ফম মৎপদগী শিন্মীশিংগী ৱাকৎ ওইবা মে ডে অসি শিন্মীশিংগী নুমিৎনি হায়দুনা মতম কয়াদগী পাঙথোক্তুনা লাক্লি। অদুবু মণিপুরদা মে ডে ওবজার্ভেসন তৌরিবা লুপশিংনা শিন্মীশিং অদুগী ওইবা ৱাকৎশিং অদু খন্নবগী মহুত্তা পার্টিগী লাইন ওইনা পোলিটিক্সিসকা মরী লৈনবা হিরম খক্তা চংশিল্লকপা অসিনা মে ডে নুমিৎ অসি মণিপুরদদি মরাই চাইথরবা নুমিৎ অমগী পালন অমগুম মীয়াম্না উরে। মসিগুম্বা হিরমসিদা মীৎয়েং চংহন্নিংলবসু পোলিটিক্সিকী ওইনা য়েংবা মীৎয়েংদা মখল–মখা কয়াগী পাদম লাকপা ঙমদবা থৌদোকশিং চত্থরকপনা মে ডে পাঙথোকপগী ৱাহম্হোক অদু লৈহন্দবনি হায়বসি মরী লৈনবা মীয়াম, পার্টি অমদি মণিপুরগী লুচিংবশিংনা খঙফম থোকই। অদুবু শিন্মীশিং অমদি থৌমীশিংগী চৎন–লোনচৎ কয়া অদু মীয়ামদা হৌজিক লৈরিবা লুপশিং অমসুং মীয়ামগী লুচিংবশিংনা মরীক চুম্না খঙবা ঙমদবা অমদি অতোম্বা শিন্‌ফম অমদা থবক শুরিবা শিন্মীশিংনি হায়না খন্বদগী মখোয়গী হক পুম্বা পীথোক্তনা থল্লগদি ইন্দিয়াগী ওইনা লৈরিবা ষ্টেট একাউন্টতা অচৌবা শেন্‌ফম কয়া তুংশিন্দুনা থম্বা ঙমগনি হায়বরোমদা চত্থবা থৌশিল অমা ওইনা মীয়াম্না উই হায়বসি চুল্লবনি। নুংঙাইত্রিবদি শেন্মীৎলোন অসি নৈনবদা মরীক চুমদবা অমসুং মথায়–থায়নগী মওংদা শিন্মীশিংগী শেন্‌ফম অসি নেগোসিয়েৎ তৌবা য়াবা অমা ওইনা লৈহন্বা হায়বসিদি চুমদে।

মসিদা মণিপুর ষ্টেটকী ওইনা লৈরিবা য়াম্না ইন্দিপেন্দেন্ট ওইবা লেবর ওফিসনা শিন্মীশিংগী হক অসি কদাইফাওবা য়ৌনা ঙাক্লবা হোৎনরিবগে হায়বসিগী ৱাহং অমা লাকপা হায়বসিদি শোইদ্রবনি। মসিদা ষ্টেট গভর্নমেন্টকী লৈরিবা দিপার্টমেন্টনা শিল্লিবা থৌশিল অসিদি ওটোক্রেট ওফিসর অমনা শিন্মী অমবু খ্বাইদগী হন্থবা থাক্তা লোয়নবগী মওং অদুনি। মদুমক্তনা মরু ওইরগা মখা থাবা শিন্মীশিংনা মথক থোংবা ওফিসার অদুগী মথক্তা লমন খুন্নিংবগী ৱাখল পোকহন্বনি, হায়বদি শিন্মীশিংগী থাক অসি ৱাংখৎনবা হোৎনদবদগী সরকারগী ফিরেপ কয়াদা অমদি থৌশিলশিংদা অশোইবা লাকহন্নবা মরম ওইরগা ঙসিসু লাক্ল–ফানবা ঙমদবা মওংদা মণিপুর সরকারগী ইমপ্লোইশিংনা সরকারগী থবক পুম্বা ফেল ওইহন্নবা মাস কেজ্যুল লিভ লৌরকপনি অমসুং মসি সরকারগী মাইকৈদ্দগী শিন্মীশিংবু খুৎশুমল মতিক চানা পীদবদগী লৌরকপা খোঙথাংনি হায়বসি খঙবা ফৈ। মসি মে ডে নুমিৎনা লাকপদা নুমিৎসিবু মরুওইনা লৌদুনা থৌশিল কয়া শিল্লবা মতুং থৌরম কয়া পাঙথোক্লিবা লুপশিংনা খন্থফম থোকই। মদু নত্তবদা পোলিটিক্সকী থৌওং অমরোমদা মীয়ামগী হক মাঙহল্লিবদু কাওথোক্লগা হক মাংহনবদুদা খুদোংচাবা লৌনবা হোৎনবা অদুদি লানগনি। মে ডে নুমিৎসি শিন্মীশিংগী নুমিৎনি, মসিগী মাংওইননা শিন্মীশিংগী হক পুম্বা তান্দুনা মরী লৈনবা সরকারদগী শোইদবা ৱাফম খরা লৌহৌবা চুম্বনি অমসুং মদু মে ডে মমাংদা শিন্মীশিংদা পীথোক্লে হায়বা ৱাফম ফোংদোক্লম্বা তারগদি মে ডে নুমিত্তা সরকারগী ৱাফমশিং অমদি লূপশিংগী থৌশিলশিং অদুগীদমক থাগৎলম্বসু য়াবনি। পাল্লিবদি মীয়াম্না শিন্মীশিংগী হক অদু ফঙহনখিবা অমদি মদুনা মরম ওইরগা শিন্মী অমসুং সরকারগী থবক তৌরিবা ইমপ্লোইশিংগী মরক্তা লৈরিবা শেম্হোক লম্বী অদুগী গেপ অমা মেনশিন্নবা হোৎনবা হায়বসিনি। মসিমক মে ডে নুমিত্তা শিন্মীশিংনা মখোয়গী হক কয়া অদু তান্নবা অমদি মখোয়গীদমক লৈরিবা লূপশিংনা তাল্লিবা দাবীশিং অদুগী মতাংদা শরুক য়াবা ঙমহন্নবা শিন্মীশিংগী ফংলিবা শেনফম অসি হেনগৎহন্দুনা মখোয়দসু নোংমা থবক লেপ্পগী মতমদা ইমূং–মনূংগী চান–থক্লবা শেনফম অদু তুংশিন্দুনা থম্বা ঙমহন্নবা থৌরাঙশিং লৈরিবা কয়া অদু থবক্তা ওম্হোক্লবা হোৎনবগী মথৌ তারি। মে ডেনা লাকপদা শিন্মী পূন্নমক্কী হক অদু ফঙহনবা ওইরসনু হায়না য়াইফ–পাউজেল পীজরি।

## এডিটরদা থারকপা চিঠি

### লৈঙাক্কী তৈন–ওন্নবা ৱারেপ

ইকায় খুম্নজরিবা এদিটর,

মী কোটি ১২৫ রোম লৈবা ইন্দিয়াগী অৱাং নোংপোক চিদায়দা লৈবা চিংলৈবাক মণিপুর অপীকপা ষ্টেট অমনি। কনানা করি তৌরি খুদম ওইনা ড্রগ লল্লোলিবা, উকারবার তৌরিবা, পোপি (কানি) পাম্বি থারিবা, হাজিরা শুরিবা, রিক্সো থৌরিবা ইখঙ খঙনবা উনরিবা ঙাক্তনি। ডেমোক্রেসি চৎপগী হৌনবা লমদম (মণিপুর) সিদশু মীয়ামগী মীহুৎনা লিংবা লৈঙাক অমা লৈরি। ফিরাল মমায় চুম্বা মরায়বক ফরিবা বি জে পিগী লুচিংবা নোংথোম্বম বীরেন্না (৫৯) সি এম ওইরি। মতমগী খোঙচত্তি মীৎকুপ অমফাও লেপ্পা নাইদবনিনা বি জে পিনা লুচিংবা চুংশিন্নবা সরকারগী মতম চহি ১ হৌখরে, খরা লৈরগদি চহি অনি অমুক শুরক্লগনি অদুবু পীকখ্রবা লমদমসিদা মীওই খুজোক খরখক্লা মীয়ামগী লন–থুম লুপা ক্রোর কয়ামা মৎনখিবনচিংবা তৌরিবশিং দবুদি অচান মিরাই নাইদুনা খুৎ য়েৎ ওই চেন্নরবশু যেশা উপায় তৌদুনা ফাদুনা পুন্দুনা মতুং মনাও তৌদনবা অকনবা চৈরাক পীননবা হোৎনগেদি হায়দ্রগা থৱায় খুবাক্তা হাপ্তুনা ওটো রিক্সো থৌরগা ইমুং–মনুঙ পূনরিবা অমশুং শেন্নবা হোৎনজরিবশিঙদবুদি ঙা মপীনা ঙা মচা চাখোকপগুম ঙম্মে মতাগুম বিরেনগী লৈঙাকসিনা ডিজল ওটোশিং ইম্ফাল সিটি মনুংদা চংহন্দনবা ৱারেপ লৌরকপসিদি মীয়ামগী তৈন–ওন্নবা ৱারেপনি হায়দবা ঙম্মোয়। অসিগুম্বা মথোঙ হুক্তবা মানবা ৱারেপসিদি পেসেঞ্জরশিঙগীসু হক মৎপনি। নুংতি নুমিৎ খুদিংগী পোৎফম ফম্বিশিং য়াউনা মীওই লিশিং কয়া’ ওটো রিক্সো তোংদুনা ইম্ফাল সিতিদা লাক্লরিবনি। পনবা য়াবদি ওটোরিক্সো ওইগেরা অতোপ্পা গাড়ী ওইগেরা ইম্ফাল মনুংদা চেনবা অমসুং খামুসিদি... ঙসি ঙরাংতগী ৱাফম নত্তে কুইরবনি।

ঐখোয়গী মায়কৈদগী লৈঙাক্তা থমজনিংবা ৱাফমদি অফবা থবক থৌরমশিঙ পাইখৎনবা হোৎনবিয়ু। থবক অমা তৌবদা ডিভাইড এন্দ রুল পোলিসি তৌবিগনু। মতাং চারিঙৈদা হেক্তা হংনিঙলকই, ইম্ফাল স্মার্ট সিটি ওলহন্দ্রিবা করিগীনো, নেসনেল স্পোর্টস ইয়ুনির্ভরসিতি কমদৌখ্রে, ইম্ফাল ইষ্টকী মফম অমদফাও অনৌবা হোস্পিটাল অমা শাবা ঙমদ্রগা অথাপ্পা শজিক তম্পাক, পার্বুংনচিংবগী লমদমশিংদদি করম তৌগদৌরি।

অরোইবদা ফোংদোকচনিংবদি ইম্ফাল সিটিদা ডিজল ওটো চংবা থিংজিন্নবা হোৎনবিবগী মহুত্তা মণিপুর লৈঙাক্কী মখাদা লৈরিবা মশিঙ য়ামখ্রবা থানা–সিফাইশিং শিজিন্নরগা অতো রিক্সো অমদি অতাঙবা মখলগী ফোর হুইলর গাড়িশিং মী চীনখ্রবা মফমদা কুইনা খামজিন্দুনা মীয়ামদা ডিষ্টর্ব তৌহন্দনবা হোৎনহৌবনা অচুম্বা খোঙথাঙ ওইগদরা খঞ্জে।

অদোমগী
এ নন্দকুমার
চনম পুখ্রি মপাল, শিংজমৈ

## হিন্দু দর্শণ–বাদ–২

জগৎসিমক মায়া নত্তে, ব্রহ্মগী শরুক অমনি। ব্রহ্মনা অওইবা ওইবনিনা মহাক্কী গুণগী শরুক অমা ওইরিবা জগৎ অমসুং জীবসু মায়া নত্তে অওইবনি। খঙবা ঙম্ববু (জীববু) চিৎ অদুগা খঙবা ঙমদবা (নুঙ, লৈবাক্লচিংববু) অচিৎ কৌই অনীসিমক ভগবানগী হকচাংনি। মখোয়শিংদু ঈশ্বরগী প্রকর (মওং), শোষ (মগুণ), নিয়ম (লাকশিল্লবা) নি। প্রলয়গী মতমদা পূম্নমক মঙোন্দা পীহল্লি। মরম অসিনা জীব অমসুং পোৎয়াম্না তিল্লবা জগৎসিমক মওং হোংদোক হোংজিন তৌবা নত্তনা পুম্মাঙ মাঙখিবা নৎত্রগা লৈরমদবদগী লৈরকপা নত্তে ব্রহ্মনা লৈবা হৌবদগী লৈরক্লবনি, হায়বদি অওইবনি, ভাবনা শাজিনবা নৎত্রগা লান্না থাজরুবা নত্তে। প্রকৃতিদা সত্ত্ব, রজ, তম হায়বা গুণ অহুমলৈ তৌইগুম্বসুং তশেংনমক্কীদি সত্ত্ব খক্ত লৈবনি, সত্ত্বদুনা ভগবানগী হকচাং ওই মদুমক নিত্যবিভূতি কৌই। ফোংদোক্লিবা জগৎসিনা মাগী লীলা বিভূতিনি।

ঈশ্বর–জীব –প্রকৃতি অহুমসি সনাতননি। জীবদি ব্রহ্মদগী থোরকপনি, ৱাংমদা লৈখিবা নত্তে, জীবনা মশাগী মশক মাঙদে, ব্রহ্মদা তিনবা হায়বা অতোপ্পা অমা লৈবা য়াদে। অদুবু নিত্য (মতম চুপ্পগী), মুক্ত (নাম্হোক্লবা) অমসুং বদ্ধ (পুল্লবা) হায়বা জীব মখল অহুমদি লৈ। অহানবগী জীবসিনা বৈকুন্ঠদা লৈ, মুক্তনা সংসারদা লৈরম্বদগী নাম্হোক্লদুনা ঈশ্বরগী নাক্তা লাক্লবদুনি অদুগা নাম্হোরক্লবগীদমক মপোক অমদগী অমদা হোং হোংদুনা পোক্লিবা জীববুনা বদ্ধ কৌই। রামানুজনা ব্রহ্মগা জীবগা তাকপদা কফোইগা প্রমান তৌই। কফোইদু ভগবান্নি, হৈ মরুশিংদুনা জীবশিংনি। রামানুজগী মত্তা জীবন্মুক্ত ওইথোক্তে, জীবনা হকচাং থাদোক্লবতদা মুক্তি ফংই হায়না পীরি। জীবনা ভগবৎ কৃপা তনা মুক্তি ফংই। মসিদি ভক্তিতনা অথোইবা উপাইনি মরমদি ভক্তিনা মরম ওইরগা প্রপতি (পুমকৎ কথোকপা) ঙমই। কর্ম অমসুং জ্ঞান্না ভক্তি ফংনবগী উপাইনি।

৩. দ্বৈত বাদঃ শ্রী মাধবাচার্য্যনা দ্বৈতবাদ শেমগৎখি। মহাক্লা উপনিষদশিং, ভগবদ গীতা অমসুং ব্রহ্ম সুত্র (প্রস্থাণ ত্রয়) দা দ্বৈতবাদ কী ৱাফম শৌগত্তুনা ভাষ্য কয়া ইখি। ভারত–তাৎপর্য্য–নির্নয়, ভাগবতমগী ভাষ্য অমসুং অনুব্যাখ্যাণ ময়ামদা দ্বৈতবাদ তাকপীরম্মী। মত অসিদা ব্রহ্ম, জীব অমসুং জগৎ অমত্তা মান্নদে হায়রি। অসুম্না খেন্নবসি মখল মঙা থোক্লা লৈ। মত অসিবু অত্যন্তভেদ–দর্শণ হায়নসু খঙনৈ। পঞ্চ ভেদ অদুদি– (১) জীবগা ব্রহ্মগা খেন্নৈ, (২) ব্রহ্মগা জগৎকা খেন্নৈ, (৩) জীবগা জগৎকা খেন্নৈ, (৪) জীব অমগা জীব অমগা খেন্নৈ, অমসুং (৫) জগৎকী মনুংদসু পদার্থগা পদার্থ অমগা খেন্নৈ। খেন্নবশিংসি মাধ্ব সম্প্রদায়গী তুংইনবশিংনা খঙদবা য়াদে। হরি নৎত্রগা বিষ্ণুনা ব্রহ্মনি, মহাক্লা খ্বাইদগী অথোইবনি। জগৎসু অরেবনি। খেন্নৈ হায়বসিসু অচুম্বনি। পূম্নমক্কী মপু হরিগী মখা জীবশিংনা পোনবনি। জীবশিংগী মরক্তসু হেনগৎপা হন্থবা নাই। মাধ্বনা জীববু নিত্য (লক্ষ্মী), মুক্ত (দেবশিং, মী, ঋষি, ভক্তশিং), অমসুং বন্ধ (পুন্দুনা লৈরবা) হায়না রামানুজনা খায়দোক্লম্বা মখল অহুমসি য়ারম্মী অদুগা অহুমশুবা মখল হায়বদি বন্ধ হায়বা মখল অসিদসু মহাক্লা অনী থোক্লা মখল অমুক অনী থোক্লা খায়দোকই, মদুদি – (১) নিত্য সংসারী (সংসারদা হন্না–হন্না পুনশিল্লবা) অমসুং (২) তমো যোগ্য (পুম্মম মল্লবা নরক খক্তদা লৈরগদবা)। সাত্ত্বীক জীবশিংনা স্বর্গদা, রজসীক জীবশিংনা সংসারদা হঞ্জিন হঞ্জিন নৈশিন্দুনা লৈ অমসুং অমসীক জীবশিংনা নরক্তা লৈগনি হায়না থম্বীরি।

ককচিংতাবম ব্রজমনি শর্ম্মা

লমচৎ ফজবা, বেদ নৈনবা, ইন্দ্রি লাকশিনবা, বৈরাগ্য অমসুং আত্মা সমর্পণ খক্তনা ভগবানগী দর্শণ ফংবা ঙম্মী। ত্যাগ, ভক্তি অমসুং ধ্যান তৌরগা অরান খুভম ফংই। অশেংবা ভক্তনা ভগবৎ কৃপা ফংবা ঙম্মী– অসিনচিংবা বাদ অসিগী মরু ওইবা পাউজেলনি। অঙ্কন (ভগবানগী খুদমশিং–মুদ্রা হকচাংদা হকপা), নামকরণ (অঙাংশিংদা ভগবানগী নামশিংদগী খল্লগা মিংথোনবা), ভজন (ভগবানগী নাম গুণনচিংবা শক–শোনবা) অমসুং স্মরণ (অরেপ্পা লৈতনা ভগবানবু নীংশিংজবা) – মরিসি ভগবান বিষ্ণু পুজাদা য়াওগদবনি। ভগবৎ কৃপাদি বায়ুদেবনা পুবীরকই, বায়ুদেব অমসুং ব্রহ্মাদি ভগবান বিষ্ণু নৎত্রগা নারায়ণগী মচানি। ভক্তগী ভক্তিগী চাননা ফংফম থোকপা থৌজালবু বায়ুদেবনা করিমত্তা শোয়হন্দনা পুরক্লনি। অশেংবা জ্ঞান্তনা মপুবু নুংশিবা ঙমগনি। মহাকপু থম্মোয়শেংনা নুংশিবদু ভক্তিনি। জ্ঞান অমসুং কর্মনা ভক্তি পীবনি। ভক্তিতনা ভগবান ফংগনি। ভগবান্দি লক্ষ্মীগা লোয়ননা বৈকুন্ঠদা লৈ। পরমেশ্বর ভগবান খক্তনা স্বতন্ত্র (মপুং ফাবা নীঙ তম্বা) নি, জীব, জগৎপু মহাক্তনা ৱায়েনবীবনি, অদুনা মখোয়দি পরাতন্ত্র (মখাপোনবা) নি। পরাতন্ত্রগী মনুংদা চেতন (অখঙবা, থৱায় পানবা) অমসুং অচেতন (খঙদবা, থৱায় পানদবা) হায়না মখল অনী লৈ। মসিগী মনুংদা লৈবাক, নুঙ, উতুপ নচিংবসু অচেতননি হায়দুনসু বেদ (থৱায় পান্দবা) বু মতম খরতগী ওইবনি হায়বা য়াদে, বেদদি সনাতননি। ঈশ্বরদা দোষ লৈতে, মঙ্গলময়নি, সর্বজ্ঞ, সর্বব্যাপক, সর্বশক্তিমান অমসুং স্বতন্ত্রনি। মফম অমসুং মতমগী ৱাংমদা মহাক্লা লৈ। পরাতন্ত্রশিংগী মনুংদসু মথং–মথং মখা পোন্নবা লৈ, ময়ামদুগী মনুংদা লক্ষ্মীনা অথোইবনি, মরমদি মহাক্তি ভগবান খক্তগী মখা পোনবনি। মহাক্তি জ্ঞান মুর্ত্তিনি, অৱা অনাগী ৱাংমদনি, ভগবানগী থাদোক্লদ্রবা শাক্তিনি। ভগবানগী শক্তি অহুম্না প্রকৃতিগী অধিষ্ঠাত্রি ওই। মখোয়বু লক্ষ্মী, ভু অমসুং দুর্গা কৌই। অবিদ্যা (খঙদবা) অসিসু প্রকৃতিগী মওং অমনি। মহাক্লা জীববু ব্রহ্মদগী খঞ্জিল্লি। প্রকৃতিনা মহৎ, অহঙ্কার, বুদ্ধি, ইন্দ্রি তরা, বিষয় মঙা, পঞ্চ মহাভুত নচিংবা শক্লোন কয়াসু লৌই। মাধ্বাচার্য্যনা জগৎপু মিথ্যানি হায়বা য়াদে। জগৎপু ভগবানগী হকচাংনি হায়বসু য়াদে। জগৎ অমসুং ভগবান অনী পুমখেন খেন্নৈ হায়রম্মী। জীবদি পরমানুগী চাংদমক চাউই অদুগা মশীং লাকঙমদনা লৈ। জীবনা খ্বাইদগী পীকপা মওং ওইজরবসু মাগী মগুণ অমসুং জ্ঞান্না মরম ওইদুনা চাউবা–পীকপা খেন্নবা হকচাংশিংবু থলহনবা ঙম্মী। জীবদি অনাদিনি, আনন্দময়নি অদুবু ভৌতিক পদার্থশিংগা শম্নবদগী অমসুং মদুদা কর্মফলনা মমায় থৈবদগী অৱা– অনানচিংবা ফংলরিবনি। মপোক অমদগী অতোপ্পা মপোক অমদা হোংবা মতমদা হৈরজগা জীবনা মঙোন্দা পক্লিবা কর্মগী মহৈশিংনা থোকহনবা অমোৎপবু কোকচদুনা ভগবানগী নাক্তা য়ৌঙম্মী, হৈজদ্রগনা তমো যোগ্য ওইদুনা লৈ।

৪. দ্বৈতাদ্বৈতঃ

সুর্য্যগী অবতারনি থাজনবা নিম্বার্কাচার্য্যনা বাদ অসিবু মীওইবদা খুদোল তৌবীরম্মী। মত অসিবু ভেদাভেদ হায়নসু কৌনৈ। বেদান্ত পারিজাত–সৌরভ অমসুং সশশ্লোকী কৌবা মহাক্কী ভাষ্য অমসুং লাইরিকশিংদা ব্রহ্মগী অওনবা (পরিনাম) গী ৱাফম শৌগত্তুনা ইরম্মী। মহাক্কী মত অসি ভাস্করদগী অমসুং ভাস্করনসু ঔদুলোমিদগী মথং মথং লৌরকপনি হায়নৈ।

জগৎ অমসুং জীবনা ঈশ্বরদগী খেন্নৈ, মরমদি ঈশ্বরদা য়াওরিবা গুণশিংদু মখোয়দা য়াওদে তৌইগুম্বসুং মানা লৈতবা মফম লৈতে হায়বা গুণসি লৈবনা জীব অমসুং জগৎ অদুদসু ঈশ্বর য়াওদুনা নৎত্রগা ঈশ্বরগী মনুংদা য়াওদুনা জীব জগৎনা লৈবা তাবনা, জীব–জগৎ–ঈশ্বর খেন্নদে। নিম্বার্ক দর্শণনা ব্রহ্মবু অথোইবনি হায়বা য়াই, মাদি অনাদিনি, অদ্বীতীয়নি। জীব অমসুং জগৎনা মহাক্কী শক্তিগী বিভুতি শিংনি। জীবসু ব্রহ্মসু চেতণনি, জীবনা ঙমখৈ নাইবনি ব্রহ্মনা ঙমখৈ নাইদবনি। ব্রহ্মনা স্বতন্ত্র, জীবনা পরান্ত্রনি। জীবনা ভোক্তা (চারিবা উরিবা) নি, জগৎনা ভোগ্য (চাগদবা উগদবা) নি অদুগা ব্রহ্মনা নিয়ন্তা (পূম্নমকপু ৱায়েল্লিবা) নি। অহুম অসি পুমখেন খেন্নবদুমক্তি নত্তে। মরমদি ব্রহ্মনা জীব নৎত্রগা জগৎতগী পুমখেন খেন্নরম্লবদি মহাক্কী মফম খুদিং শীন্থুংনা লৈবা (সর্বব্যাপক) হায়বা গুণসি লৈফম থোক্তে। সর্বব্যাপক নৎত্রবদি মহাক্লা জীব অমসুং জগৎকী নিয়ন্তা ওইবা য়ারোই। অদুমক ওইদুনসু ব্রহ্মনা জীব–জগৎকা খেন্নদবসু নত্তে। মরম অসিনা ভেদ (খেন্নবা) বুসু অভেদ (খেন্নদবা) বুসু অনীমক চুম্মী।

ব্রহ্মগা জীব অমসুং জগৎকা লৈনবা মরীসি আচার্য্যনা নুমিৎ অমসুং মাগী মঙাল–মৈশা, অমসুং ঈপাক অমসুং মদুগী ঈথক, থৌরি অমসুং থৌরি মকোন লৈনবা মতৌদুদা প্রমান তৌরম্মী। ব্রহ্মদু ঈশিং ঈপাক (মহাসাগর) নি, মদুদা নুংশিৎনা কন্না হুম্বদগী ঈপাক অদুদগীদি ঈথক তোপখ্রে, খেন্নখ্রে। তৌরিবা থবকসু মান্নদ্রে। মসি ব্রহ্মগা জীবগা খেন্নবা মওংদুনি, মসিদা য়েংলগা জীবগা ব্রহ্মগা খেন্নরে। তৌইগুম্বসুং নুংশিৎকী শাফুনা লৈত্রবদা ঈথক্তু ঈপাক্তা তিনখ্রে, ঈশিং মশেল ওইখ্রে। মসিদনা অভেদ, খেন্নদ্রে। অদুনা জীবসি ব্রহ্মগী পরিনাম (অওনবা মশক) খক্তনি। অসুম্না ঈপাক্তা কোঙ্গোল ময়াম লৈরে, কোঙ্গোলদুমক্তি ঈশিংদগী তোপই, চাউবা পীকপা মখলসু য়াম্মী। ঙাইহাক লৈরগা পোকখায়খ্রে, কোঙ্গোল লৈত্রে ঈপাক্তা তিনখ্রে। মসিসু জগৎ–ব্রহ্মগী মওংনি। জগৎসু ব্রহ্মগী পরিমাণ নি। অপাম্বা কল্লকপনচিংবা নুংশিৎকী শাফুনা জীবগী পুক্লিংদা য়ৈবদা ‘ঐ’ হায়বা ৱাখল থোক্লে, ‘ঐ’ গী অকোয়বা (ৱাতাৱারন) অমা শেম্লে। মতমদুদা জীব ব্রহ্মদগী পুমতোপ তোপখ্রে। অপাম–কল্লক্লবচিংবগী নুংশিৎ নেমথখ্রবদা ‘ঐ’ কৌরম্বা ঈথক্তু ব্রহ্মদা চঙখ্রে, মতমদুদা খেন্নবা লৈত্রে। আচার্য্যগী ব্যাখাদি পাক চাওই অদুবু মচেৎ অমত্তং থমজবনি।

***অহুমশুবা শরুক মথং লৈবাকপোকপদা***

## যোগ অমসুং ইস্লাম

*ডা. ইমরান চৌধরী অমসুং অভিজীৎ সিংহ*

***মমাং লৈবাকপোকপগী মখা...***

ইস্লাম ধর্ম্মদা ওঁ– ইং শোক ১৯০৫ দা স্বামী রামতীর্থনা লখনৌদা মৌলবী খরগা লোয়ননা শাস্ত্র নৈনরম্মী। রামনা মৌলবীশিংদুদা ওঁ হায়ননবা হায়খি অদুগা ওঁ শোনবা মতমদা ফংবা অঙৈংবা অদুগা খুদক্তা ফংবা শক্তি ফংবদু খঙহনখি। স্বামীজীনা মৌলবীশিং অদুগা হায়খি মদুদি ওঁ গী প্রণব, অঙংবসিনা জগৎসিগী কাচিন কোয়া পূম্বদা লৈরিবনি। ওঁ গী মচা তাবা ৱারোল পীরদুনা হায়খি –ইংলিস লোন্দা ওঁ (om) না হৌবা ৱাহৈশিংনা ঈশ্বরগী গুণ তাকই হায়বদি Ommicompetent হায়বদি পূন্নমক ঙম্বা, Omniscient হায়বদি পূন্নমক খঙবা Omnipotent হাবদি শক্তিরেন, Omniscience হায়বদি খঙদ উদ লৈতবা, Omnipotent হায়বদি মফম খুদিং উবা অসিনচিংবা। অসিগী তুংদা স্বামী রামতীর্থনা মৌলবীশিংদা হায়খি মদুদি খ্বাইনা কুরানগী সূরহ বকরহগী অহানবা অয়াততা আলিফ, লাম, মীম হায়না য়াওরিবদু থেংনবীরিরনি, মদু করি হায়রিবনো? মৌলবীশিংনা খুমখি–মসিগী অর্থ ঐখোয় খঙদে মরমদি খুদানা ঐখোয়দা মসি লোৎলগা থম্মী অমসুং অরোইবা বিচার তৌবা নুমিত্তা (কয়ামত তা) মসিগী অর্থ তাকপিগনি। অদুদগীদি রামনা অরবী ব্যাকরণগী মতেংনা শন্দোক্লা তাকখি–ব্যঞ্জন অনী পূন্না লৈরবদি অহানবা ময়েক অদুগা স্বর ময়েক্কী মতুংদা লাকপদু করিগুম্বা লাম ওইরবদি মদুগী খোম্হোক অদু ৱাও হায়বদি ইংলিস ময়েক O গী মতৌগুন্না হায়গনি হায়রি। (মদুগী খুদম পীবদা স্বামীজীনা তাকপিখি– নিজামুদ্দীনবু অরবীদা নিজমুদ্দীন হায়না ইগনি অদুগা পাবদনা নিজামুদ্দনি হায়) হায়বদি আলিফ লাম অমসুং মীম গী অর্থদি ওঁ হায়বনি।

মথক্তঃ পীজখ্রবা ৱাফমশিং অসিদগী ময়েক শেংলে মদুদি ওঁ হায়বসি লাইনিং লম্বী অমখক্কী ৱা নত্তে, ওঁ গী মশক ওইবা ব্রাহ্মগুদা ঙংলিবা মখোল অসিবু যোগদা থম্বগী পান্দমদি মসিনি মদুদি মসিবু ময়েক শেংনা হায়বদা ঐখোয় পূন্নমক্তা শক্লাইহনবা অদুগা মঙাল মশা শাগোন্নরবা শক্তি মপূং ফানা ফংবা ঙমগনি। মরম অসিনা যোগদা ওঁ শোনবদা ইস্লামগী মায়োক্তা লৈতে, অদুগা করিগুম্বা কনাগুম্বনা লৈ হায়না লৌরবসু ওঁ গী মহুত্তা অল্লাহগী নাম শোল্লগা যোগ তৌবা য়াই।

যোগগী পাউজেলঃ নুংঙাইনা লৈবা অমসুং নুংঙাইবা শন্দোকপা– যোগগী অচৌবা হায়বদি মরু ওইবা পান্দমদি নুংঙাইনা লৈবা অদুগা ইশাদগীসু অতোপ্পদা নুংঙাইবা ফংহনবদনি। যোগনা ঐখোয়গী অশাউবা, কল্লকপা, মিহৌবা অসিনচিংবা ফত্তবা ৱাখলশিংদগী নাম্হোকহনবা ঙম্মী অদুগা শোয়দ্রবা ৱানি মদুদি যোগগী খুত্থাংদা ঐখোয়বু অতোপ্পদসু নুংঙাইহনবা ঙম্মী। ইস্লাম থা অমা মপূং ফানা ইবাদত, পরহেজ অমসুং রুহানী তৌদুনা ফগৎহনবগীদমক থম্বীরি। (ইবাদত–পূজা, পরহেজ–চারা হেনবা, রুহানী–অধ্যাত্ম)। রমজান থা, থা অমা মপূং ফানা ইমতেহান (সাধনা/কূপ্না য়েংশিনবা)গী থানি, মরমদি থা অসিগী মনুংদা মীশিংসি চাবা–থকপা নচিংবদা লাকশিল্লি, মশা মশাগী ইন্দ্রিয়শিং খুদুম চল্লি, মপূ (রব) গী পূজা (ইবাদত) তৌবদা চত্থদুনা লৈবা (মশাগুল) তৌই। অদুগা ৱারবা চাংয়েং থা অসিগী তুংদা অচৌবা খুদোল ওইনা ইদকী কুম্মৈ লাকই, অদুদা হরাউ নুংঙাইনা লৈনবা অমসুং হরাউ নুংঙাইবা শন্দোক্লবগী উৎসবনি। হরাউ–নুঙাইরবা মীশিংনা মশা মশাগী লৈজবা শেনফমদগী পীদবা য়াদবা ওইনা লাইরবশিংদা নুংশিনা পী, অদুম তৌবনা তোল্লবশিংবু মশাগীদমক লৈজদ্রবসু ইদকী নুংঙাইবদা শরুক য়াবা ঙমহল্লি। অমরোমদা হায়রগা কুম্মৈ অসিনা পীরিবা অচৌবা পাউজেল অমনা সংসার শেন্লিবা মহাক্কী মীৎয়েংদা মাগী খুৎশেমদা কনাসু অপীকপা ওইদে হায়বসিনি। মশামক নুংঙাইনা লৈবা অদুগা নুংঙাইবদুসু শন্দোকপা, য়েম্হোকপা হায়বসিমক পুন্সিগী পান্দমনি, মসিমক যোগ অমসুং ইদ অনীমক্কী পাউজেলনি।

অরোইবদা– ভারতকী ঋষি–মুনিশিংনা তাইবঙপানবসিদা পীবা খ্বাইদগী হেন্না মমল লেপ্পা ঙমদনা ৱাংলবা খুদোল অমা যোগনা ওইরি। মসি হিন্দুশিং খক্তগী নত্তে, থোইদোক্লা মীওইবা জাতিদা পীরিবা বরদান অমনি। যোগনা হকচাং শাজেল খক্তদা পান্দম তৌদে, মহার্ষি পতঞ্জলিগী মতুং ইন্না মসি হকচাং, পূক্লীং, বুদ্ধি অমসুং আত্মাবু পুনশিন্ননবা পুন্সি চুপ্পগী তৌগদবা থৌরন্নি।

শাস্ত্রশিংদা, ‘যোগশ্চিওবৃত্তিনিরোধঃ’ ‘মনঃ প্রশমনোপায়ঃ যোগঃ’ অদুগা ‘সমত্বং যোগা উচ্যতে’ অসিনচিংবা মখল মথেল থোক্লা যোগবু শন্দোক্লা তাকই। মসিবু ইশাগী ওইজরগা ঈং–তপ্পা অমদি না–য়েক্তুনা পুন্সি লেনগদবনি। যোগগী তুং ইঞ্জরগা মহৌশাগা লোয়নদুনা পুন্সি হিংনবা হোৎনবা মীগী মশীং নোংমা নোংমগী হেনগৎলক্লি, মসিদা সংসারসিগী তোঙান তোঙানবা সংস্কৃতি লৈবা অমসুং ৱাখল্লোন লৈবা মী কয়া য়াওরি।

যোগবু ঐখোয় খুদিংমক্কী ওইগদবনি হায়বসি মরম অসিদগীনি মদুদি যোগ অমসুং মুস্লিম অনীমক্কী পাউতাকপু ভাব তারবশিংনা তৌরিবদি যোগনা নুং – পান অনীমকপু শেংদোক্লবা লম্বীনি হায়না খঙবদগীনি। ইস্লামগী তুং চুন্না ইল্লবশিংদা যোগবু ইস্লামগী ওন্ন– তৈনবা ওইদে। মীওইবগী হকচাং অসি মপুগী খুৎশেম্নি, মসিবু ফনা থম্বা হায়বদুমক মী মশাগী দায়ীত্ত্বনি অদুগা যোগনা নীংথিনা থম্বা ঙম্মী হায়বসি খঙলবা, য়ারবশিং অদুনা যোগদা ইস্লামগী ওন্ন– তৈনবা ওইদে হায়বা য়াই।

যোগবু করিগুম্বা ধর্ম্ম অমখক্তা মরী লৈননা য়েংদুনা হঙ্গোইগদবগী মহুত্তা যোগ অসিদি হকচাং অমসুং পূক্লীং ফনা থন্নবনি হায়না য়েংলগা লৌবনা অচুম্বা মীৎয়েং ওইগনি। ধর্ম্ম খুদিংমক্কী ঙাক্তদবা খরা লৈ, অদুগা মদুদা তাঞ্জা লৌদুনা ধর্ম্মদা ঙাওবা ওইরগা তৌবা য়ারোই হায়বগী মতৌদুদা লৈরবদি মশা মথন্তা নত্তনা ধর্ম্ম অতৈগী ইচিন ইনাউশিংদসু নুংঙাইতবা পী। মরম অসিনা, ঙসিদি মীওইবগী য়াইফববু খঞ্জবা মী অমা ওইনা যোগগী মশক ওইরিবসি খুদাদা খুরুমজবগী মশক ওইনা লৌরগা যোগগী পাউজেলবু তাইবঙপানসিগী কাচিন কোয়া পূম্বদা শন্দোকফম থোকই।

ইমা লৈবাক অমসুং খুনাইগী থৌগল (সেবা) কমদৌনা তৌগদগে

*মখা মথং লৈবাকপোকপদা...*

*মণিপুরীদা ঃ*
*ককচিংতাবম ব্রজমনি শর্ম্মা*

## থাজবা

### থম্মোয়গা থম্মোয়গা লুহোংবা

রামায়নগী তরুকশুবা পন্দুপপু বাল্মীকীনা সুন্দর কাণ্ড হায়না মমিং থোল্লী মরমদি মসিদা য়ান্না ফজরবা অমসুং মঙ্গলগী মশক ওইরবা মতাং কয়া য়াওরি। মসিদা হনুমানগী থৌনা অমসুং পুক্লিং লূপ্পা অমসুং বিধাতানা খায়দোকহল্লবা ইশ্বরগী জুরা অসিবু মতৌ করন্না পুক্লিংগী পুনশিন্নবা পুরক্লদগে হোৎনবদা মহাক্কী থৌদাংগী মরমদা কুপ্না তাকপা মতাংনি হায়না দমল শ্রী রামাকৃষ্ণন অমসুং পেরুন দেবী অনীনা খন্ননৈনবা অমদা থিন্দুনা তাকলি।

বিশ্বামিত্র মুনিনা ‘‘মাল কান্দ’’দা রাম অমসুং সীতা লুহোংবগী থৌদাং পূম্বা লৌবনি। অদুবু ‘‘অরন্য কান্দ’’দা মখোয় অনী কায়নরে। মখোয় অনীগী থৱায় ৱাবদু, অমনা অমগী লৈফম খংনদবনা মরম ওইদুনা অমুক্তা হেনগৎহনবগী মরম ওইরে। হনুমাননা রাম অমসুং সীতাবু পুনশিনহন্নবা হোৎনবদা মঙ্গল ওইখি। অথিংবা থেনখাং কয়া মায়োক্লরবা মতুংদা হনুমাননা সীতাবু অশোক বনদা উখি অমসুং মহাক্কী মপোক্কী ওইনা য়াওজরক্লবা হৈ–শিংবা অদুনা সীতাদা মহাক্কী মশক তাক্তুনা থাজহনখি। সীতানা মবুংঙোগী মোহোর য়াওবা খুদোপ ফংজবদা হরাওজখি অমসুং আশা তৌজখি লোয়ননা মাগী থম্মোয় মনুংদা মবুংঙোগা নকশিন্নবা ফাওজখি হায়না বাল্মীকীনা হায়রি। মান্নবা মওংদা খুদম ওইনা সীতাগী চুরামনি হনুমাননা রামদা কৎনবা পুরকখি। মসিনা সীতা কায়নবগী মৈচাক্লা চেখায়রবা রামগী থম্মোয় মলমগী মশক লৌদুনা মখোয়গী শৈরেংগুম হোংখিবা লুহোংবা অদু নৌহৌননা নিংশিংহনখি। রামগী থম্মোয়না সীতাদা অমসুং সীতাগী থম্মোয়না রামদা লৈদুনা ‘‘মানসিকা আত্মা বিবাহ’’ হায়বা অদু হনুমান্না পুরকখি।

দর্শন–শাত্রগী মাইওনদা য়েংলগা, অর্থ–হনবশিংনা হনুমানবু অর্চ্যর্যগী পদবী পীরি মরমদি জীবাত্মা অমসুং পারমাত্মা অনীগী মরক্তা লাপ্পরিবা অদু মহাক্লা শমজিন্নহল্লি অমসুং মহাক্কী (অচার্য) থৌজাল অদু নত্তনদি সংসারদগী লান্ন–খুভম ফংবা ওইথোক্তে। ধর্ম্মগী লম্বী থিরিবা কনাগুম্বনা ফন য়ান্না লাইরিক হৈদুনসু, জ্ঞান –ফন লৈদুনসু আচর্যগী লমজিং য়াওদনদি পম্বুং য়ৌবা ওইথোক্তে। নুংশা মঙালনা পুখ্রিদা থম্বাল শাৎহল্লি, অদুবু থম্বালনা পুখ্রিগী ঈশিংগী মতেং য়াওদ্রবদি নুংশা মঙাল ফংদুনসু খুইথদুনা মাংগনি।

আচার্যগী থৌদাং অসি পুখ্রিগী ঈশিংগা অম্নানি অমসুং আচার্যগী মখোঙবু কাওজদ্রিবা মহাক্লা পারমাত্মাগী জ্ঞানগী থৌজাল ফংগনি। আচার্যগী থৌজালতনা জীবত্মানা পরমাত্মাগী অচুম্বা খংবা ঙমগনি অমসুং সংসারদগী লানবীনবা জ্ঞান পীবিগনি।

*কর্টেসিঃ ডি হিন্দু ,*
*মণিপুরীদা– বি এ শর্ম্মা*